# কান্নদ্রবা লো ১০০০ হেন্না চৎনহনখিদ্রে : মহেশ

## ওপোজিসননা চরাংনবা থোকহল্লকপদগী নুমিৎযুংবা ফাওবা হাউসকী মীফম য়েথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৬ (এজেন্সী): হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্টনা কান্নদ্রবা লো ১,১৫৯ চৎনহনখিদ্রে অমসুং অতোপ্পা ৪০০ চৎনহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মহেশ শর্ম্মনা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা প্রসিদেন্টকী এদ্রেসকী মতাংদা মোসন ওফ থেঙ্কস খন্নরকপদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মহেশ শর্ম্মনা হায়খি, হান্নগী অরিবা লো ১,১৫৯ চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা অতোপ্পা কান্নদবা লো খরসু চৎনহন্দনবা থৌরাং তৌরি।

মীয়াম্না নেটাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী মরমদা খঙনিংবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্টনা নেটাজি সুভাসচন্দ্রগা মরী লৈনবা ফাইল কয়ামরুম মীয়ামদা লাহ্নোকখ্রে। অথুবা মতমদা অতৈ অতোপ্পা ফাইল খরসু দিক্লাসিফাই তৌনবা থৌরাং তৌরি। ফাইল পুন্নমক নেসনল অর্কাইবস ওফ ইন্দিয়াদা দিজিটেল দিসপ্লে তৌরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, য়ু পি এনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা লায়রবা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলম্বা লৈতে।

লোক সভাদা প্রসিদেন্টকী ৱারোলবু থাগৎপা ফোঙদোক্লবগী মোসন পুখৎলদুনা মহাক্না হায়খি, হৌখিবা চহী ৭০ গী মনুংদা কোংগ্রেসনা মতম শাংনা লৈঙাক পায়রকখি। অদুবু পার্টি অসিনা লায়রবা কোকহন্নবগী মতাংদা মশক থোকপা থবক অমত্তা লৌখৎখিদে।

কুমজা ২০১৪গী মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্না লায়রবা কোকহনগনি হায়না ৱাশকখ্রগা মায় পাকপা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা এন দি এবু মীখলদা মায় পাকহল্লকখিবনি। পোলিটিকেল লীদর খরনা কাঙলূপ অমদি লাইনিং লম্বী খেন্নবগী ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা খুন্নাই অসিবু মচেৎ তাহন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীরদুনা মহেশ শর্ম্মনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা পার্টি অমত্তনা নেসনল সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ৱাফমদা পোলিটিক্স তৌরোইদবনি। ইন্দিয়ানা বাংলাদেশতা লৌখৎখিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মীয়াম্না মতিক চাবা খুদম পুথোকউ হায়বা লৈতে। অদুবু আর্মিনা হন্দক চথখিবা সর্জিকেল ষ্ট্রাইককী মতাংদদি মীয়াম্না মতিক চাবা খুদম পুথোক্লবা তকশিল্লকখি।

কেরলাগী এম পি অমসুং হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ঈ অহমদ লৈখিদবগী মতাংদা ওপোজিসননা চরাংনবা থোকহল্লকপদগী ঙসি নুমিৎযুংবা ফাওবা লোক সভাগী মীফম য়েথোকপা তাখি। তোঙান-তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা অহমদকী পোষ্টর পায়রগা স্লোগান কয়া লাউখি অমসুং ফেব্রুৱারী ১ দা মতম চানা য়ুনিয়ন বজেট পুথোক্লবগীদমক অহমদ লৈখিদবগী পাউ লোৎশিন্দুনা থমখি হায়না গভর্ণমেন্টপু মরাল শীখি।

লোক সভাগী স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা নুমিৎযুংবা পুং ১২ ফাওবা হাউসকী মীফম য়েথোকখি।

অমরোমদা, প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীনা পার্লিয়ামেন্টতা পীখিবা ৱারোলদা লৈবাক্কী মরুওইবা ইস্যু অমত্তা য়াওখিদে হায়না তৃণমূল কোংগ্রেসকী এম পি শৌগতা রোইনা ফোঙদোকখ্রে। প্রসিদেন্ট'স এদ্রেসকী মোসন ওফ থেঙ্কস খন্নরকপদা রোইনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লৌখৎখিবা শেনয়েক অনী চৎনহন-খিদবগী থৌরাংনা মীচম মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখি।

কাশ্মীরদা মিলিটেন্ট লুচিংবা বুরহানৱানি লৈখিদবগী মতাংদা মীয়াম্না হৌরকখিবা ঈহৌ থা ৬ হেল্লকপগা লোয়ননা মীওই ১০০ হেন্না শিখ্রবসু প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা ৱাফম অমত্তা পনখিদে। প্রসিদেন্টনা দিমোনেটাই-জেসনগী মতাংদা ৱা ঙাঙখ্রবসু থৌওং অদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শিখিবগী মরমদদি ৱাফম অমত্তা পনখিদে। মহাক্না হায়খি, দিমোনেটাইজেসনবু মীচম মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না লৌবগা লোয়ননা তৃণমূল কোংগ্রেসনা হীরম অসিগী মতাংদা অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

# সসিকালাবু চীফ মিনিষ্টর ওইহন্দনবা সুপ্রিম কোর্টতা পি আই এল ফাইল তৌরকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৬ (এজেন্সী): হন্দক্তা এ আই এ দি এম কেগী জেনরেল সেক্রেটরি খনখ্রবা ভি কে সসিকালাবু টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইহনবা য়ারোই হায়না সুপ্রিম কোর্টতা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ফাইল তৌরকখ্রে।

সটা পঞ্চায়ট ইয়াকম কৌবা এন জি ও অমগী জেনরেল সেক্রেটরি সন্থিল কুমারনা সুপ্রিম কোর্টতা পি আই এল ফাইল তৌরদুনা হায়খি, সসিকালাবু টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইহন্দনবা সুপ্রিম কোর্টনা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

এ আই এ দি এম কেগী এম এল এশিংনা জয়াললিতাগী মমিনি হায়না লৌনরিবা সসিকালাবু লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবী ওইনা খনখ্রবা মতুংদা পি আই এল ফাইল তৌরকখিবনি।

মশামক এসেমব্লিগী মেম্বর ওইদবা তারবসু সসিকালাবু মথংগী চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নবগীদমক লেজিসলেটরশিংনা মোত অমত্তা ওইনা য়ানবা পুরকখি। জয়াললিতা লৈখিদ্রবা মতুংদা মীয়াম্না সসিকালাবু পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর শোয়দনা ওইরকপা য়াই হায়না ফোঙদোক্লকখি।

অমরোমদা, এ আই এ দি এম কেনা সসিকালাবু চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপদা ওপোজিসন দি এম কেনা অঙকপা ফোঙদোকখ্রে।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী টামিল নাদু য়ুনিট লুচিংলিবা টামিলিসাই সোন্দারাজননসু সসিকালাবু তহা-তহা চীফ মিনিষ্টরগী ফম পুহন্নবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, দি এম কেগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ষ্টেলিননা হায়খি, জয়াললিতা লৈখিদবা অমসুং সসিকালানা এ আই এ দি এম কেগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরকপগী মতাংদা চিংনিনিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি। অথুবা মতমদা মীয়ামগী চিংনবা কোকহন্নবা লৈঙাক্না মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

অমরোমদা, জয়াললিতাবু লায়েংখিবা লন্দন ব্রিজ হোস্পিটালগী দোক্টর রিচার্দ বিএলনা হায়খ্রে মদুদি, জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা লৌতুনবগী থৌওং অমত্তা চথুখিবা লৈতে। মহাকপু পোইজনিং তৌরগা হাৎখিবসু নত্তে।

বৃটিশ দোক্টর অদুনা হায়খি, মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর ২২ দা অহানবা ওইনা জয়াললিতাবু চেন্নাইগী এপোলো হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবা মতমদা ৱাখল চোইখিদে। নীংশা শ্বর হোনবা ঙমদবদগী ভেন্টিলেটর শীজিন্নদুনা নীংশা শ্বর হোনবা ঙমহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। অকোনবদা লাইহৌ হৌরকখিবগা লোয়ননা দিহাইদ্রেসন তৌরকপদগী জয়াললিতাগী ফীভম শোকচিল্লকখি হায়না দোক্টর বিএলনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অমদা এপোলো হোস্পিটালগী কে বাবু অমদি মদ্রাস মেদিকেল কোলেজগী পি বালাজিনা হায়খি, হোস্পিটালদা লায়কন্নরিঙৈদা জয়াললিতাগী খূবী সোই লৌখি হায়বা ৱাফম অদু অচুম্বনি। অদুবু বাই ইলেক্সনদা দি এম কেগী মীরেপশিং থাগৎনবগী মতাংদা থৌওং অদু চথুখিবনি।

অমরোমদা, টামিল নাদুগী গভর্ণর সী বিদ্যাসাগর রাওনা চীফ মিনিষ্টর ও পনিরসেলবম ফম থাদোকপগী ৱাফম অয়াবা পীখ্রে। পনিরসেলবমদা থাখিবা চেরোল অমদা গভর্ণরনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর ও পনিরসেলবম অমসুং মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরসনা ফম থাদোকপগী মতাংদা অয়াবা পীরে। অদুমওইনমক মখা তাবা থৌরাং অমা লৌখৎত্রিবা ফাওবা পনিরসেলবমবু চীফ মিনিষ্টরগী থৌ পুনবা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, নোংমাইজিং নুমিৎতা এ আই এ দি এম কেগী জেনরেল সেক্রেটরি ভি কে সসিকালাবু অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুহন্নবগীদমক ও পনিরসেলবমনা গভর্ণর সী বিদ্যাসাগর রাওদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখিবনি।

# সী আর পি এফকী কোব্রা কম্মান্দো ৫৯ থিবা খঙখিদ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৬ (এজেন্সী): মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক অমদা ট্রেনিং তৌরিবা সী আর পি এফকী কোব্রা কম্মান্দো ৫৯ থিবা খঙখিদ্রে।

নক্সালাইটকী অকনবা মফম ওইরিবা বিহারদা রিপোর্ট তৌরগদবা পুং খরথক্কী মমাঙদা কম্মান্দো বট্টালিয়ন ফোর রিজোল্যুট এক্সন (কোব্রা)গী কম্মান্দো ৫৯ মফম খঙদনা মাঙখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা সী আর পি এফকী কম্মান্দোশিং অদু জম্মু-সিএলদা এক্সপ্রেস তোংদুনা লাক্লগা মুঘল সরাইদা কুমখি। জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী শ্রীনগরদা চয়োল মঙা চুপ্পা ট্রেনিং তৌরবা কম্মান্দোশিং অদু গায়াদা রিপোর্ট তৌরগদবনি। অদুবু মতম হেল্লবা ফাওবা রিপোর্ট তৌরখিদে।

সী আর পি এফকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা থৌদোক অসিগী মতাংদা কোর্ট ওফ ইনক্বারি চথনবা য়াথং পীখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা থৌদোক অদুগী লংলা-লংজিন পুথোক্লবা খঙহনখি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, জৱানশিং অদু বিহারগী গায়াদা লৈবা ২০৫শুবা কোব্রা য়ুনিটতা রিপোর্ট তৌরবা মতুংদা বিহারগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা দিপ্লোই তৌগদবনি।

মফম খঙদনা মাঙখ্রবা কম্মান্দোশিং অদু উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারদগী ঙাক্তনি হায়রি। কুমজা ২০০৯ দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা নক্সালাইট অমসুং অৱাং নোংপোক্কী লালহৌবশিং নমথনবগীদমক সী আর পি এফকী মখাদা অখন্নবা গরিলা কম্বেট ৱিং অমা ওইনা কোব্রা লিংখৎখিবনি।

চৈরকসিদা, সী আর পি এফনা ২০৫ শুবা কোব্রা য়ুনিটকী ট্রেনিং কম্মান্দো ৫৯ মাঙখিবগী মতাংদা শেংদোক ৱারোল অমা থাদোরকখ্র।

সী আর পি এফনা হায়খি, মফম খঙদনা মাঙখ্রে হায়না থাজনখিবা কম্মান্দোশিং অদু অয়াবা য়াওদনা মশা-মশাগী ময়ুমদা চৎপা শোয়দনা ওইরমগনি। মরী লৈনবা ওঠোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা থবক মফমদা রিপোর্ট তৌখিদবগীদমক কম্মান্দোশিংগী মথক্তা মতিক চাবা দিপার্টমেন্টেল এক্সন লৌখৎলগনি।

কম্মান্দোশিং অদু শ্রীনগরদা লৈবা রিক্রুটমেন্ট ট্রেনিং সেন্টরদা থা ৬কী ওইবা ট্রেনিং লোইরগা ফেব্রুৱারী ৫ দা শিলা এক্সপ্রেস তোংদুনা জম্মুদগী গায়া ফাওবা লাক্কদবনি। ৱেদরগী ফীভম ফত্তবা মরম্না জৱানশিং অদু ফেব্রুৱারী ১ দা জম্মু য়ৌহনখিবগা লোয়ননা থংনবা নুমিৎতা ট্রেন তোংনবা থৌরাং তৌখি। মতম ঙনখৎনা থবক মফমদগী থোরকপা মরম্না জৱানশিং অদু ঙাইহাক্তং ওইরবসু ময়ুমদা চৎপা পাম্বদগী ওঠোরিটিদা তাক্লমদনা ময়ুম-ময়ুমদা চৎলুবনি হায়না সী আর পি এফনা ফোঙদোকখি।

# মুলায়মনা সমাজৱাদি পার্টি-কোংগ্রেস এল্লাইন্সকী ভোট খোম্নবা থৌরাং তৌরে

লক্ষ্নৌ, ফেব্রুৱারী ০৬ (এজেন্সী): সমাজৱাদি পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা মুলায়ম সিংহ যাদবনা হায়খ্রে মদুদি, করিগুম্বা মহাক্কী পার্টিনা এসেমব্লি ইলেক্সনদা মায় পাকপা থোক্লবদি অখিলেশ যাদবনা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইগনি। সমাজৱাদি পার্টি অমসুং কোংগ্রেসনা পুল্লগা শেমখিবা এল্লাইন্সকী ভোট খোম্নবা শেম শারে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা মুলায়ম সিংহ যাদবনা হায়খি, ইমুং-মনুংদা মোত মান্নদবা অমত্তা লৈতে। অখিলেশ যাদবদা মথংগী চীফ মিনিষ্টর অদুমক ওইগনি। হয়েংদগী হৌনা সমাজৱাদি পার্টি-কোংগ্রেস এল্লাইন্সকী ভোট খোল্লগনি। মমাঙদা মুলায়ম সিংহ যাদবনা মনাওনুপা শিবপাল যাদবকী ভোট খোমগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, অর্বান দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর এম ভেনকায়া নাইদুনা য়ু পি গভর্ণমেন্টপু মরাল শীরদুনা হায়খ্রে, চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ যাদবনা লুচিংবা সমাজৱাদি পার্টিনা এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি ওফিসরশিং অরানবা মওংদা শীজিন্নদুনা এসেমব্লি ইলেক্সনদা মায় পাকহন্নবা থৌরাং তৌরি।

সমাজৱাদি পার্টিদা মীয়াম্না থল্লম্বা থাজবা মাঙখিবদগী ঙসিদি পার্টি অসিনা নাইতোম হিংবা ঙল্লরোই খন্দুনা কোংগ্রেসকা খুৎশম্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লে হায়নসু নাইদুনা ফোঙদোকখি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়ার্স মিনিষ্টর মুখটার অবাস নকবিগা লোয়ননা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার নাসিম জাইদিগা উনরবা মতুংদা ভেনকায়া নাইদুনা হায়খি, উত্তর প্রদেশতা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট খরদি মফম অমত্তদা চহী কয়া মথৌ তৌহন্দুনা লৈরি। মীখলদা অরানবা থৌওং চথবা নুংঙাইনবগীদমক ওফিসলশিং অদু মফম অমদা লেংদনা লৈহনবনি। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা ইলেক্সন কম্মিসনদা ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অপূনবা সীট ৪০৩ লৈবা উত্তর প্রদেশতা ফেব্রুৱারী ১১, ১৫, ১৯, ২৩, ২৭ লোয়ননা মার্চ ৪ অমসুং ৮ দা তাঙ্কক তরেৎ থোক্না এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরি।

উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা সমাজৱাদি পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অখিলেশ যাদবনা মহাক্কী মখুরা শিবপাল যাদবকা নক্লবা মীওই অমত্তা পার্টিদা চঙজফম পীরোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোককখিবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, শিবপাল যাদবনা হন্দক অনৌবা পার্টি অমা শেম্বগী ৱাফম ফোঙদোক্তুনা মীয়ামদা সমাজৱাদি পার্টিবু লান্না উহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। থৌরাং অদুদা শৌগৎলিবা মরম্না শিবপালগা নক্লবা মীওই অমত্তা সমাজৱাদি পার্টিদা চঙজফম পীরোই।

পনবা য়াবদি, হন্দক্কী এসেমব্লি ইলেক্সন হেক লোইবগা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা শেল্লগনি হায়না শিবপাল যাদবনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

পার্টিগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংগী মফমদা অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ যাদবনা হায়খি, সমাজৱাদি পার্টিনা এসেমব্লি ইলেক্সনদা অমুক হন্না মায় পাকহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংগী মায়োক্তা লেপ্পা মীওই খুদিংমক পার্টিদা চঙজফম পীরোই। পার্টি মনুংদা লৈরিবা মীওই খরনা মরম ওইরগা যাদব ফেমিলি নাকপাক তাবগী ফীভম লাকখিবনি। হায়রিবা মীওইশিং অদু অতম্না মশক খঙদোক্লগা পার্টিদগী লাপ্না ইল্হোকখিনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইমুং-মনুং নুংঙাইনদবগী মতাংদা অখিলেশ যাদবনা হায়খিবনি মদুদি, লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক সোসলিষ্টকী মগুণ হেনগৎহন্নবা হায়দুনা ইমুং-মনুংদা চাওনা য়েৎনবা থোকখিবনি। সুল্টানপুর সদরগী মোটিহার এরিয়াদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙখিবদা অখিলেশনা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা থাক্তা দেমোক্রেসিগী মগুণ হেনগৎহন্নবা থবক পায়খৎপা মথৌ তাই। ইমুং-মনুং য়েৎনখিবদা ওপোজিসননা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনখি হায়না পল্লদুনা অখিলেশনা হায়খি, খুন্নাইগী ফীভম ফঙাৎহন্নবগীদমক পার্টি মনুংদা লৈরম্বা মোত মান্নদবা পুম্নমক কোকহন্নবা হায়দুনা অনৌবা থৌরাং অমা লৌখৎলকপদা ওপো-জিসননা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরে।

# চেন্নাইদা থাউ য়ুখিবনা শোকহল্লবা মীয়ামগী মতাংদা এন জি টিনা সেন্টরদা নোটিশ থাখ্রে



চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ০৬ (এজেন্সী): টামিল নাদুগী হিথাংফমদা হন্দক্তা জহাজদগী থাউ য়ুরকখিবা থৌদোক্না শোকহল্লবা মীয়াম্না কম্পেন্সেসন পীবীয়ু হায়না ৱাকৎলকখিবগী মতাংদা নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)না ঙসি সেন্টর অমসুং অতৈ মরী লৈনবশিংদা নোটিশ থাখ্রে।

এক্সপর্ট কম্মিটি অমা শেমদুনা জহাজ থেংজিন্নবদগী থাউ য়ুরকখিবা অমসুং হৌজিক-হৌজিক পায়খৎলিবা শেংদোকপগী থৌরাংশিং য়েংশিনহন্নবা ৱাফমসু পিটিসন অদুদা ফোঙদোরকখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্ট, মিনিষ্ট্রি ওফ শিপ্পিং, টামিল নাদুগী চীফ সেক্রেটরি অমদি টামিল নাদু পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী মায়োক্তা পিটিসন অদু ফাইল তৌরকখিবনি।

গুরগাউনদা বেজ তৌবা টোকিও মেরিন হোল্ডিংস য়াওনা জহাজগী মপুশিংগী মথক্তসু মতিক চাবা থবক লৌখৎনবগী ৱাফম পিটিসনদা য়াওখি। নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেলনা হয়েং মখা তাবা হিয়ারিং চথগদৌরি।

জান্যুৱারী ২৮ দা টোকিও মেরিন হোল্ডিংসকী মর্চেন্ট ভেসেল-এম ভি মেপল গেলেক্সি অমসুং শকখঙ-দবশিংনা ওপরেট তৌবা এল টি দোন কাঞ্চিপুরম থেংগায়নবগী থৌদোক অমা টামিল নাদুগী ইনোর মনুং চন্না লৈবা কমরাজা পোর্ট মনাক্তা থোকখিবদা থাউ য়ুরকখিবগা লোয়ননা ঈশিংদা লৈবা থৱায় পানবশিংগী পুন্সি খুদোংথীনিংঙাই ওইহনখিবনি।

জহাজ অনী থেংগায়নবদগী য়ুরকখিবা থাউনা মফম কয়াদা শন্দোরকপদগী খুদোংথীবা থোক্লকপা য়াই খন্দুনা শেংদোকপগী থৌরাং লৌখৎলবসু মফম কয়াদা পাক শন্না থাউ শন্দোরকপা লৈখ্রবনি। হৌজিক ফাওবদা ভোলুন্টিয়র চা কয়ানা থাউ টোন ৭০ হেন্না শেংদোকখিবা তারবসু মেরিনা বিচ লাম্হোরক্তুনা খা রোমদা কিলোমিটর ৩২ হেন্না পালাবকম বিচ য়ৌশিল্লকপগী থৌদোক লৈখ্রে।

হাইদ্রবাদতা লৈবা ইন্দিয়ন নেসনল সেন্টর ফোর ওসীন ইনফোর্মেসন সার্ভিসেসনা হায়খি মদুদি, জহাজদগী য়ুরকখিবা থাউশিং কনাটুর য়ৌনা শন্দোরকপা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা দিরেক্টোরেট জেনরেল ওফ শিপ্পিংনা মীওই ২০০০ হেন্না শীজিন্নদুনা শেংদোকপগী থৌরাং লৌখৎহন্দুনা লাকখিবনি। দি জি শিপ্পিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনক্বারি চথদুনা অথুবা মতমদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্লবা খঙহনখ্রে। টিরুবনমিয়ুরগী মেরিনা বিচ অমসুং এলিয়ট বিচ শেংদোক্লবা হোৎনবদা নুমিৎ হুম্নিরোম চঙখিগনি হায়না থাজনরি।


## / শমগী অৱাবা কোকহঞ্জরি

শম কেল্লে হায়বগী ৱানিংঙাই লৈত্রে। কোক্কী শম কেনবা ফহন্নবা মনা-মশিংনা শেম্বা হিদাক ফংবিগনি। অকুপ্পা মরোল মখাদা পীজরিবা কন্টেক নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/0963/7,8,9 Contact No. ☎ 9862833780



## / BANKING & AIRPORT STAFF RECRUITMENT POSTING IN NORTHEAST

| Sl. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Age | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Senior Officer | 26 | Graduated/ Appearing | 18-26 | 26,000 - 48,000 |
| 2 | Cabin crew/ Air hostess/GS | 34 | 10+2/ Graduated | 18-28 | 6 Lac per ann 1.8 Lac per ann |

International Job Centre, Ancelin Place 2nd Floor Opp. CRPF Camp Mantripukhri.

**Last Date of Form Submission: 15/02/2017**

**Date of Examination : 17/02/2017**

HL-P/0961/7 *Sd/-* **The Director The IJC**


## BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

## NOTIFICATION

Imphal, the 3rd February, 2017

**No.Ex/11/Vol-VII** In continuation of this office Notification of even no. dt. 11-01-2017 it is hereby notified for information to all concerned that the last date of submission of application forms for the H.S.L.C. Examination, 2017 is extended in the following conditions.

1. With a fine of Rs. 400/- (per student) up to 02-02-2017 (11-01-17 to 02-02-17)
1. With a fine of Rs. 1000/- (per student) up to 10-02-2017 (03-02-17 to 10-02-17)

HL-P/0959/7 *Sd/-* SECRETARY

### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER /VIII

*Ref:- Mut Case No. 160/AS&SO/VIII Dated : 02/02/2017*

Parties : 1. Nongmaithem Bidhu Singh S/o (L) Nobo Singh of Langathel Maning Leikai.

*-Petitioner*

-Vrs-

1. Sagolsem Abhiram Singh S/o Shengoi Singh of Langathel.
2. Nongmaithem Nobo Singh S/o (L) Bhalok Singh of –do–.

*-O.P.P.*

### /NOTICE


Dt. 3rd February, 2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পেটিস্নরনা খোঙজোম তাহশিল খুল নং ৪৫-লাঙথেল পাট্টা নং ২৯২/৫৪৫ অনৌবাগী দাগ নং ৫৫ গী এরিয়া ০.২৬২০ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল গী ২ নং পাট্টাদার শ্রী নোংমাইথেম নোবো সিংহ অপোকপা লৈখিদ্রবা ভালোক অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতুগী লম শরুক একর ০.৫৫ চাওবা (হে: ০.২২২৫) চাওবা মখৈ অসি মৃতগী মীং ককপীরগা পেটিস্নরগী মীংদা নমা পানবীরো হায়না দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল মচেৎ অসি নমা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির ওইগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌরোই, কেশ মখা চথগনি।

*Sd/-* **Th. Shantikeshwar Singh**
Asstt. Survey and Settlement Officer/VIII

HL-P/0336/7

## / থাঙ থাদনা নুঙ তাহনবীরিবা ইয়াম্বা সুধাকরবু থাগৎচরি



L. Sudhakar

শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইম্ফাল আই. টি. আই ইম্ফাল মনাক্তা লৈবা নুঙগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানিপা **লাইশ্রম সুধাকর**-না বাবাগী মহুৎ শীন্দুনা মীওইবগী থৱাই ওইরিবা কিডনীদগী থাঙ থাদনা নুঙ তাহনবীদুনা ঐগী নুপিগী থৱাই কনবীরিবা অমদি থাঙ থাগদবদগী কনবীরিবা ইয়াম্বা **লাইশ্রম সুধাকর**-বু ঐনা হন্না হন্না পাউচেগী থোংদা থাগৎচবা ফোঙদোকচরি অদুগা ইয়াম্বনা বাবাগী মহুৎ শীন্দুনা লায়েং মখা চত্থবীহৌদুনা ঐখোয়গুম্না মায় পাকপা, থৱায় ওইরিবা কিডনীবু থাঙ থাদনা নুঙ তাহন্নবগীদমক ইয়াম্বা অসিগা তান্নবীয়ু হায়না ময়ামদা হায়জরি।

*থাগৎচরিবা ঃ* **Th. Sunanda Singh**
*Sagolband Nepram Manjor Leikai*

HL-P/0926/4/02-5/03

## / নুংশঙনা ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, ঈ চাং কাইনা লাকপা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু থাগৎচরি



ঐ মতম শাংনা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খ্বাঙ নাবা, লেংজুম মরি নাবা, খু চিকপা, ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং কাইনা লাকপা, ঈশিং চৎপদা শাবা, ঈ ৱাৎনা লাকপা, অমাঙথোং মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, চাবা-থকপা য়াদবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম** ☎ **৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিন কবিরাজবু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবীখো হায়না হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 noon. 2. Hatta Minuthong Bazar : 12.00 pm to 4.00 pm

*থাগৎচরিবী :* **Ngangbam (O) Gangarani Devi**
*Khagempalli*

HL-P/3616/17/01-16/02


## / লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্নি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্নি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাক্পীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাক্পীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3644/03/02-02/03